# দালাস সীটিদা স্নাইপরশিংনা কাপ্পদা পুলিস ওফিসর ৫ শিরে, ৬ শোক্লে



দালাস, জুলাই ০৮ (এজেন্সী)ঃ

হন্দক্তা পুলিসনা অমুবা মীওইশিংদা নোংমৈ কাপ্পদা মীশি-মীনা থোকখিবগী থৌদোক অনীবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী মীয়ামগী খোঙজং মরক্তা স্নাইপরশিংনা পুলিস ওফিসরশিংদা কাপ্পদা ওফিসর মঙা শিখ্রে অমসুং তরুক্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

পুলিসনা অমুবা মীওইশিংদা নোংমৈ কাপ্পদা মীশি-মীনা থোকখিবা অমসুং মতুং পংকুই কুইদনা দালাস সীটিগী ময়াই চবুকমক্তদা স্নাইপরশিংনা ওফিসরশিংদা অমুক কাপখিবা অসিনা অমেরিকাগী সিভিল রাইটস মতমগী ঈরাংশিং নীংশিংহল্লে হায়রি।

ওফিসরশিংদা লুমদুনা নোংমৈ কাপ্পদুদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই অহুম ফারে অমসুং মরিশুবা সস্পেক্ট অমনা দাউনটাউনগী পার্কিং গেরেজ অমদা ওথোরিটিশিংগা নোংমৈ কাপ্পরি হায়না দালাস পুলিসকী চীফ দেভিদ ব্রাউননা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা ফোঙদোকখ্রে।

সস্পেক্ট অদুনা ওথোরিটিশিংদা কোওপরেসন পীদ্রি অমসুং মহাক্না নিগোসিয়েটরশিংদা অহেনবা লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসল খরসু শোকহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে হায়না পুলিস চীফনা হায়খি। নোংমৈ কাপ্পদু শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮.৪৫ রোম তাবদা চয়োল অসিদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীশি-মীনা থোকখিবগী থৌদোকশিংবু প্রোটেষ্ট তৌরদুনা মীওই চা কয়া পুন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌরিঁঙৈদা চথুরকখিবনি। চয়োল অসিদা লুইজিয়ানাগী বেটন রোগ অমসুং মিন্নেসোটাগী সেন্ট পোলদা পুলিসনা অমুবা মীওইশিংদা নোংমৈনা কাপখিবনি।

ব্রাউননা রিপোর্টরশিংদা হায়খি মদুদি, স্নাইপরশিংনা এম্বুশকী মওংদা ওফিসরশিংদা নোংমৈ কাপখি। মীচম অমা নোংমৈ কাপ্পদুদা শিখি হায়না মেয়র মাইক রোলিংসনা হায়খি। অহানবা অমুবা প্রসিদেন্ট ওইরিবা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা হায়খি, থৌদোকশিং অসি পংনা থোক্তবা ওইনা লৌবা য়াদে।

"থৌদোকশিং অসিদা ঐখোয়গী ক্রিমিনেল জষ্টিশ সিষ্টেমদা য়াওরিবা হেন্না চাওবা শীংনবশিংগী মমি তাই। সিষ্টেম অসিদা লেপ্পা নাইদবা মওংদা কাঙলুপ নাইবগী মমি অমা তাই। অসিগুম্বসিনা লো ইনফোর্সমেন্ট অমসুং মখোয়না সর্ভ তৌরিবা কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা থাজবা ৱাৎনরকই" হায়না ওবামানা ফেসবূককী ৱারোল অমদা হায়খি।

পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা অমুবা মীওই অনী শিখিবগী থৌদোকশিংবু শগোলশেন নুমিৎতা য়ু এসকী মরু ওইবা সীটিশিংদা প্রোটেষ্ট তৌনরকখিবগা লোয়ননা ওবামানা অথুবদা পুলিসকী অশোয়বা কয়া শেমদোক্লবা অমসুং অনৌবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা আপিল তৌখ্রে।

এ এফ পিগী মতুং ইন্না, স্নাইপরশিংনা ওফিসর কয়া কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক্তুগী মতুংদা য়ু এসকী এভিয়েসন ওথোরিটিশিংনা দালাস ফাওবা ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখ্রে।

হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা মিন্নেসোটাগী ওফিসর অমনা ফিলান্দো কাষ্টিল কৌবা অমুবা মীওই অমবু নুপী অমগা অঙাং অমগা লোয়ননা কার অমদা লৈমিন্নরিঙৈদা কাপ্তুনা হাৎখিবা মতুংদা শগোলশেন নুমিৎকী অহিংদা লৈবাক্কী অতৈ সীটি কয়াদসু প্রোটেষ্ট তৌনরকখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী মতুংদা লৈরিবা ফীভম অদু ফেসবূককী ভিদিও অমদা লাইভ ওইনা শন্দোরকখি। থৌদোক অদুগী মমাঙগী নুমিৎতা লুইজিয়ানাদা অল্টন ষ্টরলিং কৌবা অমুবা মীওই অমা অঙৌবা ওফিসর অনীনা পেভমেন্টদা কাপ্তুনা হাৎখি। মদুগী এক্সন অদুসু সেলফোনগী ভিদিও অমদা নীংথিনা মমি তারমখি।

দালাসকী থৌদোক থোকফমগী ভিদিও ফুটেজনা প্রোটেষ্টরশিংনা সীটি হোলদগী মাইল মখায় অমরোমনা লাপ্না দাউনটাউনগী অচৌবা লম্বী অমদা লাকপদা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপ্লকপা অমসুং মীয়াম্না কায়দুনা চাইথোক্লবগী শক্তমশিং উৎখি।

দালাস পুলিসকী চীফ ব্রাউননা হায়খি মদুদি, শূটরশিংদুনা ওফিসর কয়া ঙস্মীঙৈ হাৎনবা অমসুং শোকহন্নবা থৌরাং তৌখিবা মাল্লি।

শূটরশিং থিবগী থবক্তু দাউনটাউনগী মফম শীন্থুংখি, হোটেল অমসুং রেষ্টোরেন্ট কয়া, বিজনেস অমসুং য়ুমগী এপার্টমেন্ট কয়াদা থিহুমখি। এরিয়া অদু ১৯৬৩ দা প্রসিদেন্ট জোন এফ কেন্নেদি হাৎখিবা দেলি প্লাজাদগী ব্লোক খরদমক লাপ্না লৈ। অশোকপা ওফিসর খরা পার্কলোন্দ হোস্পিটালদা পুখৎখি হায়রি।

# লাই খুরুমফমদা এটেক তৌদুনা মীওই ৩৭ হাৎখ্রে, ৬২ শোকখ্রে



বাঘদাদ, জুলাই ০৮ (এজেন্সী)ঃ

বাঘদাদকী অৱাংদা লৈবা সিয়াইটকী খূভমদা ঙরাং অথেংবদা চথুখিবা এটেকতা শিখিবা মী মশীং ৩৭ শুখ্রে, ৬২ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ইরাকি ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

সিয়াইটশিংনা লুনা লৌনরিবা খূভম অদুদা এটেক চথুরক্লিবদু ইস্লামিক ষ্টেটনা সেন্ট্রেল বাঘদাদতা অচৌবা বোম্বিং অমা চথুখিবা চয়োল অমা ফাদ্রিঙৈগী মনুংদনি। সেন্ট্রেল বাঘদাদকী এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮৬ শিখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না ইরাকি গভর্ণমেন্টগী সিক্যুরিটিগী অশোনবদা খোইরাং খোইশাওনবা ফোঙদোক্লখি।

এটেক অদু ঙরাং অহিং সয়ীদ মোহম্মদকী খূভম অমসুং ইরাকি কেপিটেলগী অৱাংদা কিলোমিটর ৮০ রোম লাপ্না লৈবা বালাদকী মনাক্তা লৈবা কৈথেল অমদা মোর্টার সেল কয়া কাপশিনবগা লোয়ননা হৌখি।

সুইসাইদ বোম্মর অমনা অহানবদা সিয়াইটকী খূভমগী চঙফম ঙাক্লিবা পুলিসমেনশিংদা টার্গেট তৌখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা অনীশুবা বোম্মর অমনা গনমেন মাপনগা লোয়ননা লাইফমদুগী কোর্টয়ার্দতা চঙশিনখি অমসুং মখোয়না মনুংদা ইদ-উল-ফিটরগী থৌরম পাঙথোক্লবা পুল্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মীচমশিংদা টার্গেট তৌখি।

# রশিয়াগী থৌওংগী মায়োক্তা নেটোনা খোঙফম চেৎনা লেপ্নবা ওবামানা তকশিনখ্রে

ৱার্সো, জুলাই ০৮ (এজেন্সী)ঃ

য়ুক্রেনদগী ক্রিমিয়াবু নমদুনা পায়শিনখিবগা মরী লৈননা নৌনা মপাঙ্গল কনখৎলক্লিবা রশিয়াগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্ননবা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা ঙসি নেটোগী লীদরশিংদা তকশিনখ্রে অমসুং বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোক্লবা ৱারেপ লৌখিবদুনা নোংচুপলোমগী দিফেন্স এলাইঅন্স অদুবু মপাঙ্গল শোন্থহনবা ঙম্লোই হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না জান্যুৱারী থাদা ওফিস থাদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা পাঙথোক্ত-দৌরিবা নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নেটো)গী অরোইবা সম্মিটতা শরুক য়ানবগীদমক্তা ৱার্সোদা থুংলখিবা ওবামানা হায়খি, অমেরিকাগা বৃটেনগা লৈনরিবা অখন্নবা মরী অদু মহাক মশানদি পাঙথোকহন্দনবা হোৎনখিবা রেফরেন্দমগী ভোট অদুনা অকায়বা পীবা ঙম্লোই।

"য়ু এস অমসুং য়ু কেগী মরক্তা লৈরিবা অখন্নবা মরী অসি অৱাবা চৈথেং কয়া খাঙদুনা চৎকনি। য়ু কেনা নেটোগী খ্বাইদগী তৌবা ঙম্বা মেম্বরশিংগী মনুংদা অমা ওইনা মখা তানা লৈখিগনি হায়বসিদা ঐঙোন্দা করিমত্তা চিংনবা পোক্তে" হায়না মহাক্না হায়খি অমসুং ভোট অদুনা ঈ য়ুগী তুংগী অপূনবগী শক্তমগী মরমদা মরু ওইবা ৱাহং কয়া লাকহল্লে হায়খি।

য়ুরোপকী নোংপোক থংবা শরুক্কী মেম্বরশিংবু হোষ্টাইল ওইবা থবক থৌওংশিংদগী ঙাকথোক্লনবা শেম শাদুনা লৈ হায়বদু নৌহৌননা উৎপা ওইনা লৈবাক ২৮ গী নেটো এলাইঅন্স অদুনা বাল্টিক ষ্টেটশিং অমসুং ইষ্টর্ন পোলেন্দদা ট্রুপ ৩০০০ দগী ৪০০০ ফাওবা য়াওবা বাটালিয়ন মরি শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌনদুনা থম্নবগী ৱারেপ অমা হৌনবী মতুং ইন্না লৌগনি। "ৱার্সোদা ঐখোয়না নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটিগী আর্টিকল ৫গী মখাদা নেটোগী মীচং খুদিংমকপু ঙাক শেন্নবগী ঐখোয়গী ফীরেপ অদু অমুক হন্না চেৎশিনহল্লগনি" হায়না ওবামানা হায়খি। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মোস্কোনা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট মপুং ফানা ঙাক্ত্রিফাওবা রশিয়াগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমদুনা য়ুক্রেনবু মসিগী সোভরন্টি অমসুং টেরটরিয়েল ইন্টিগ্রিটি ঙাকচবদা মতেং পাংগদবনি হায়না ওবামানা ফোঙদোকখি।

মখা তারদুনা প্রসিদেন্ট ওবামানা হায়খি মদুদি, ঐখোয়না সেন্ট্রেল অমসুং ইষ্টর্ন য়ুরোপতা ঐখোয়গী মীচংশিংগী ঙাক শেলগী ফীভম হেন্না ফগৎহনবা, দিটরেন্সকী পাঙ্গল হেনগৎহনবা অমসুং সাইবর এটেকশিং য়াওনা অনৌবা থ্রেটশিংগী মায়োক্তা খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল হেনগৎহনগদবনি।

মোস্কোনা মখোয়গী প্রো-ৱেষ্টর্ন গভর্ণমেন্টশিংবু সাইবর এটেকশিং চথুদুনা, রশিয়ন স্পিকরশিংদা ৱা ঙাঙ-হন্দুনা, হোষ্টাইল ওইবা ব্রোদকাষ্টিং অমসুং মখোয়গী লমশিংদা চঙশিল্লক-পনচিংবা তৌদুনা থুগায়নবা হোৎনরকপা য়াই হায়বগী অকিবা মরক্তা ইষ্টোনিয়া, লাটভিয়া, লিথুৱেনিয়া অমসুং পোলেন্দনা লমদম অদুদা নেটোগী ফোর্সশিং তুং কোইনা থম্ননবা হায়জখি। অমরোমদা ক্রিটিকশিংনদি নেটোগী প্লান অদুনা রশিয়াবু করিমত্তা নাচুংবা পোকহনবা ঙম্লোই হায়রি।

ক্রেমলিননা অদুগুম্বা হোষ্টাইল ওইবা ৱাখল অমত্তা চেনবা লৈতে হায়রদুনা নেটোনা হান্নগী সোভিয়েট মতমগী টেরটরি য়ৌনা মখোয়গী বোর্দরশিং ইন্থোরক্তুনা অকল-অরিংগী থৌওং চথুরক্লিবনি হায়না ফোঙদোক্লি।

# ফিলিপিন্সনা সাউথ চাইনা সীগী রিছোর্সশিং চাইনাগা শেয়র তৌমিন্নবা পামই : ফোরেন সেক্রেটরি



মনিলা, জুলাই ০৮ (এজেন্সী)ঃ

মথং চয়োলদা ৱারেপ লৌগদবা লিগেল চেলেঞ্জদা মায় পাক্লবসু য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীগী এরিয়াশিংদা ফিলিপিন্সনা বৈজিংগা নেচরেল রিছোর্সশিং শেয়র তৌমিন্নবগী ৱাফম য়াই হায়না ফোরেন সেক্রেটরি পর্ফেক্টো য়াশয়না ঙসি হায়খ্রে।

য়াশয়না হায়খি, প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুটুর্টেগী এদমিনিষ্ট্রেসননা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী ইন্টরনেসনল কোর্টকী ৱারেপ্তুগী মতুংদা য়াম্না থুনা চাইনাগা ৱারী শানবা হৌবা পামই। ৱারী শানবদুদা নেচরেল গ্যেস রিজার্ভশিং পূন্না এক্সপ্লোইট তৌমিন্নবা লোয়ননা ফিলিপিন্সকী এক্সক্লুসিভ ইকনোমিক জোনগী মনুং চন্না লৈবা ঙা ফাবমশিংবু পূন্না শীজিনমিন্নবগী ৱাফম খন্নবা য়াই। "ঐখোয়না টেরটরি অসিবু পূন্না থিদোকমিন্নবা ফাওবা য়াই। ক্লেম কয়া অমগা-অমগা ফাংজিন্নবা মসিগী এক্সক্লুসিভ ইকনোমিক জোন অসিদা ঐখোয়না য়েংগদবদি জোন অসিগী রিছোর্সশিংবু করম্না পূন্না শীজিনমিন্নগদগে হায়বদুনি" হায়না য়াশয়না এ এফ পিগী ইন্টরভ্যু অমদা হায়খি।

মমাঙগী বেনিগনো এক্কিনোগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা ফিলিপিন্সনা ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইনা য়াম্না মরু ওইরিবা সী অপুম্বদুবু চাইনানা পুল্লপ ক্লেম তৌববু শীংনরদুনা য়ু এননা শৌগৎপা ট্রাইব্যুনেল অমগী মখাদা লিগেল চেলেঞ্জ অমা ফাইল তৌখি।

চাইনাগী ক্লেমশিং অদু ফিলিপিন্স অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক খরগী কোষ্টশিং য়ৌবগা মান্নখি অমসুং লৈবাক অসিনা হন্দক চহী খরা অসিদা মখোয়গী য়েৎননিংঙাই ওইদ্রবা সোভরন রাইটশিং চৎনহল্লিবনি হায়রদুনা য়েৎনরিবা এরিয়াশিং অদুদা অচৌবা খুৎশেমগী ঈথৎ কয়া শেমগৎ-শাগৎখি। ফিলিপিন্সকী কেস অদুনা চাইনাবু খোইরাং খোইশাওহনখি অমসুং বৈজিংনা ট্রাইব্যুনেল অদুগী রুলিং হঞ্জিন হঞ্জিন্না চৎনরোই হায়না ফোঙদোকখি। হৌজিক লৈবাক অসিনা মপাঙ্গল উৎপগী থৌওং অমদা সাউথ চাইনা সীগী অৱাং থংবা শরুক্তা মিলিটরি দ্রিলশিং পাঙথোক্লি।

হৌখিবা জুন ৩০ দা ওফিস পায়বা হৌখিবা ফিলিপিন্সকী অনৌবা প্রসিদেন্ট দুটুর্টেনা ৱাথোক অদুগী মতাংদা চাইনাগা শন্দাইনবা য়ানবগী থৌওংশিং উৎখি। মহাক্কী থৌওং অসি মমাঙগী প্রসিদেন্ট বেনিগনো অক্কিনোগী থৌওংগদি য়াম্না খেন্নরি।

মমাঙগী প্রসিদেন্টনা চাইনাগা হকথেংননা ৱারী শানবগী ৱাফম য়াখিদে অমসুং সাউথ চাইনা সীদা চাইনানা লম পাকথোক শন্দোক্লবা হোৎনরিবদু অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মাঙওইননা নাজি জর্মনিনা য়ুরোপকী শরুক কয়াদা চথুখিবা থৌওংশিংগা মান্নে হায়খি।

য়াশয়না মহাক্কী ৱারোলদা প্রসিদেন্ট দুটুর্টেনা অসিগুম্বা চাংদম্নবগী থৌওং অমত্তা চথরোই হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখি অমসুং মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসননা চাইনাগা খ্বাইদগী ফবা মরী থম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

অক্কিনোগী নাজি ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীনবা হায়বদা মহাক্না হায়খি, "হীরম অসিদা মহাক্না চাউখৎপা পুরকপগী ৱাখল্লোনদা ওইনা পূক্লিং চঙবা পামই"। "এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা লৌখৎলক্তদৌরিবা খোঙথাং খুদিংমক ঐখোয়গা মীপুম খুদিংমক্না লৈনরিবা মরীশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমসুং ইসু অদুগী মতাংদা পিছফুল সোল্যুসন অমা পুরক্লবা তৌবদা অপনবা অমত্তা লৈতনবনি।"

মহাক্না হায়খি, ইন্টরনেসনল কোর্টনা রুলিং অদু পীরবা মতুংদা চাইনা অমসুং ফিলিপিন্সনা কাইহৌবগী ৱাহৈ-ৱাতা অমত্তা শীজিন্নদবগী ৱাফম য়ানরে। য়াশয়না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, রুলিং পীরবা মতুংদা ফিলিপিন্সনা মদু কুপ্না ষ্টদি তৌগনি, মীচংশিংগা মদু খন্নগনি অমসুং য়ারিঙৈ থুনা চাইনাগা ৱারী শানবা হৌনবা হোৎনগনি।

# 'কিম জোং-উনগী মথক্তা অথিংবা থম্বা লাল লাউথোকপনি'



পিয়োংয়াং, জুলাই ০৮ (এজেন্সী)ঃ

নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি হায়খ্রে মদুদি মখোয়গী লুচিংবা কিম জোং-উনগী মথক্তা য়ু এসনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগীনি হায়দুনা অথিংবা কয়া থমখিবসি "লাল লাউথোকপা" অমনি লোয়ননা করিগুম্বা ৱাশিংটননা অথিংবশিং অদু হন্দোক্তবা তারবদি খ্বাইদগী কনবা কাউন্টর ওইবা খোঙথাংশিংগা লোয়ননা খুৎ হনগনি হায়খ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী রিয়েক্সন অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপদা য়ু এসকী ট্রেজরি দিপার্টমেন্টনা লাউথোকখিবা খোঙথাং অমগী পাউখুম ওইনা লাকখিবনি। দিপার্টমেন্টগী খোঙথাং অদুদা ইহান হানবা ওইনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনবু অতৈ নোর্থ কোরিয়াগী মকোক থোংবা ওফিসর ১০ গা লোয়ননা ৱাশিংটননা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগীদমক্তা অথিংবা থমগদবশিংগী লিষ্টতা য়াওহনখি হায়না ঈ এফ ঈ ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

"মসি নোর্থ কোরিয়াবু খ্বাইদগী তাথীবা অমসুং লৈবাক অসিগী মায়োক্তা ইফোং ফোংনা লাল লাউথোকপগী থৌওং অমনি" হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুজ এজেন্সী কে সী এন এগী রিপোর্ট অমনা নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন এফেয়র্স মিনিষ্ট্রীগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি। "য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াগী সুপ্রিম লীদরগী দিগনিটিবু শীংনরে। মসি পোক্তা ঙাইরিবা হুইনাওনা কৈ অমবু কিবা খঙদবগা মান্নে" হায়না পিয়োংয়াংনা হায়খি অমসুং ৱাশিংটনবু "ঙাকপীবা শুংয়া য়াররোইদবা খ্বাইদগী ফৎত্রবা ক্রাইম চখৈ" হায়না মরাল শীখি।

নোর্থ কোরিয়ন রেজিমনা করিগুম্বা য়ু এসনা অথিংবশিংবু লৌথোক্তবা তারবদি লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা দিপ্লোমেটিক চেন্নেল খুদিংমক থদৎকনি হায়না থ্রিটন তৌরি।

অমেরিকানা নোর্থ কোরিয়াবু তাথীবগী থৌওং অসি হান্নগী সুপ্রিম লীদরশিপকী ইকায় খুম্নবা অমসুং চিংলেম্বগী মতৌদা শোকহনবগী খ্বাইদগী ফৎত্রবা তাঙ্কক অদু য়ৌখ্রে হায়রদুনা য়ু এসকী তাথী-তাওইবগী থৌওং অদুবু পুংথু থুগায়নবা মখোয়গী খোঙথাংশিংদুগী মায়োক্তা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলগনি হায়নসু নোর্থ কোরিয়ানা চেকশিন ৱা পীখ্রে।

য়ু এসকী ট্রেজরি দিপার্টমেন্টগী রিপোর্ট অদুনা কিম জোং-উন, নোর্থ কোরিয়ন ওফিসল ১০ অমসুং লৈবাক অদুগী কম্পেনি মঙাবু শোকহল্লি অমসুং মদুদা য়ু এসকী জুরিসদিক্সনগী মখাদা লৈবা লন-থুমশিং শীজিন্নবা য়াহন্দবা অমসুং য়ু এসকী সিটিজনশিংবু মখোয়গা শেল-থুমগী ট্রেঞ্জেক্সনশিং থিংবা য়াওরি।

# থাদ সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবা য়ানখ্রে

সিওল, ৱাশিংটন, জুলাই ০৮ ঃ

নোর্থ কোরিয়ানা অকিবা পোকহনবা থৌওং কয়া লেপ্তুনা চথুরকখিবগী মায়োক্তা ৱাথোক ওইরবা মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমা দিপ্লোই তৌনবগী ৱাফম য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা য়ানখ্রে।

টর্মিনেল হাই অল্টিচ্যুদ এরিয়া দিফেন্স (থাদ) এন্টি মিসাইল সিষ্টেম অদু শুপ্নগী পিয়োংয়াংগী থ্রেট থেংননবগীদমক্তনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। এন্টি-মিসাইল সিষ্টেম অদু চপ চানা কদায়ৱাইদা দিপ্লোই তৌগনি নৎত্রগা কনানা মদুবু ফাইনেল ওইনা কন্ট্রোল তৌগদগে হায়বদু চপ চানা শেংনা খঙবদি ঙমদ্রি হায়রি।

থৌরাং অদুবু তৎতনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা চাইনানা য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়ন এম্বেসেদরশিংদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, থাদ সিষ্টেমনা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইলশিং দিটেক্ট তৌবা অমসুং কাপথবা ঙমগদবা ওইরবসু মদুনা লমদম অদুগী ঈং-চিকপা অমসুং তং-তানা লৈবগী ফীভমদা অকায়বা পীগনি। "চাইনানা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসিদা পেন্দবা অমসুং য়ানিংদবা কন্না উৎলি" হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।




# EMPLOYMENT NEWS

## AIRPORTS AUTHORITY OF INDIA – AAI RECRUITMENT 2016 – 60 JUNIOR ASSISTANT (FIRE SERVICE) VACANCY

Airports Authority of India (AAI) invites application for the post of 60 Junior Assistant (Fire Service) NE-4 level at various airports in the above states in Northern Region. Apply Online before 08 August 2016.

Advt. No. : 01/2016

Job Details :

Post Name : Junior Assistant (Fire Service)
No. of Vacancy : 60 Posts
Pay Scale : Rs. 12500-28500/-

Eligibility Criteria for AAI Recruitment :

Educational Qualification : 10th Pass and 3 years approved regular Diploma in Mechanical / Automobile / Fire with minimum 50% marks OR 12th Pass (Regular Study) with 50 % marks

Nationality : Indian

Age Limit : 18 to 30 years As on 30.06.2016

Age Relaxation :

SC/ST Candidates : 5 years
OBC Candidates : 3 years

Job Location : All India

Selection Process : Selection will be based on Online examination, physical measurement, driving test and physical endurance test.

Application Fee : Candidates belonging to General and OBC category have to pay Rs.1000/- through System Generated Challan of SBI only. No application fee is required to be paid by Female/SC/ST/Ex-serviceman candidates.

How to Apply AAI Vacancy: Interested candidates may apply Online through the website www.aai.aero from 08.07.2016 to 08.08.2016 (For Step-I) and 13.08.2016 for (For Step-II).

Important Dates to Remember :

Starting Date for Submission of Online Registration : 08.07.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-I) : 08.08.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-II) : 13.08.2016
Last Date for Depositing Examination fee at SBI : 11.08.2016

Important Links :

Detail Advertisement Link : https://www.digialm.com/EForms/pdf/onlineAppForm/form4863/ADVT%20FS1.pdf
Apply Online : https://www.digialm.com/EForms/html/form4863/instructionsPage.html

## AAI RECRUITMENT – 08 SENIOR ASSISTANT & ASSISTANT VACANCY – LAST DATE 04 AUGUST 2016

Airports Authority of India (AAI) invites application for the post of 08 Senior Assistant & Assistant Vacancies for PWD candidates. Apply Online before 04 August 2016.

Advt. No. : 01/2016

Job Details :

Post Name : Senior Assistant (Steno/Finance)
No. of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 14500-33500/-
Post Name : Assistant (Office)
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 13400-30500/-

Eligibility Criteria for AAI Recruitment :

Educational Qualification :

For Senior Assistant : Graduate preferably B.Com with computer training course of 3 to 6 months with 2 years relevant experience in the concerned discipline or Graduate with 80 l4O w.p.m. speed in Shorthand/Typing with 2 years experience and computer Proficiency.

For Assistant : Graduate with typing speed 40 wpm with computer knowledge with 2 years relevant experience in the concerned discipline.

Nationality : Indian

Age Limit : 40 years As on 30.06.2016

Age Relaxation :

SC/ST Candidates : 5 years
OBC Candidates : 3 years

Job Location : All India

Selection Process : Selection will be based on Online examination & Trade Test.

How to Apply AAI Vacancy: Interested candidates may apply Online through the website www.aai.aero from 14.07.2016 to 04.08.2016 (For Step-I) and 08.08.2016 for (For Step-II).

Important Dates to Remember :

Starting Date for Submission of Online Registration : 14.07.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-I) : 04.08.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-II) : 08.08.2016

Important Links : Detail Advertisement Link : http://www.aai.aero/employment_news/SRD_Notification_1july16.PDF

## AAI RECRUITMENT – ASSISTANT VACANCY

Airports Authority of India (AAI) invites application for the post of Assistant (Office) for PWD candidates. Apply Online before 26 July 2016.

Advt. No. : 01/2016

Job Location : All India

Job Details :

Post Name : Assistant (Office)
No. of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 13400-30400/-

Eligibility Criteria for AAI Recruitment :

Educational Qualification : Graduate with typing speed 40 wpm with computer knowledge with 2 years relevant experience in the concerned discipline.

Nationality : Indian

Age Limit : 18 to 40 years (As on 31.07.2016)

Age Relaxation :

SC/ST Candidates : 5 years
OBC Candidates : 3 years

Selection Process : Selection will be based on Written Test & Trade Test.

How to Apply AAI Vacancy : Interested candidates may apply Online through the website www.aai.aero from 30.06.2016 to 26.07.2016 (For Step-I) and 31.07.2016 for (For Step-II).

Important Dates to Remember :

Starting Date for Submission of Online Registration : 30.06.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-I) : 26.07.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-II) : 31.07.2016

Important Links :Detail Advertisement Link : http://www.aai.aero/employment_news/SRD-PWD-advertisement-NER-290616.pdf

## NHAI Recruitment – 04 Deputy Manager (Technical) Vacancy – Last Date 30 July 2016

National Highways Authority of India (NHAI) invites Application for the post of 04 Dy. Manager (Technical) for persons with disabilities Candidates on Direct Recruitment. Apply before 30 July 2016.

Job Details :

Post Name : Deputy Manager (Technical)
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100 /-
Grade Pay : Rs. 5400/-

Eligibility Criteria for NHAI Recruitment :

Educational Qualification : Degree in Civil Engg. from a recognized University/Institute.

Nationality : Indian

Age Limit : 30 years

Job Location : All India

How to Apply NHAI Vacancy : Interested Candidates may apply in Prescribed Application Form along with attested copies of certificate & Document send by Registered/Speed Post to Shri Anil Kumar Manager (Legal & HR/Admn.-II) National Highways Authority of India G-5 & 6, Sector-10 Dwarka, New Delhi-110 075 on or before 30.07.2016.

Important Dates to Remember :

Last Date of Submission of Application : 30.07.2016

Important Links :

Detail Advertisement Link : http://www.nhai.org/Doc/4july16/Advt%20-%20Dy.%20Mgr(Tech.).pdf
Download Application Form : http://www.nhai.org/Doc/4july16/Application%20format%20(new).pdf